‘ঙক-ই-কো নঙসে’ ফিল্মগী হেরো য়ূম্নাম মঙ্গিবাবু

-নানি

য়ূম্নাম মঙ্গিবাবুগী হৌজিক ওইরিবা শক্তম

‘ঐদি ফিল্ম য়াম্না পামজে, কুমসু য়াম্না কুমনীংখি, এসাইনমেন্ট খরসু লাকখি অদুবু গভর্ণমেন্টকী সর্ভিস রুলদা গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ী অমনা ফিল্ম কুম্বা য়াদে, ফিল্ম হায়বসিদি কম্মর্সিএল বেসিসনি হায়না হায়বদগী পাম্না পাম্না কুম্বদি ফংখিদ্রে’’

- য়ূম্নাম মঙ্গিবাবু

কয়াদা নীংঙমখিদ্রবা খোঙথাংনো? আর্টিষ্ট অমনা মহাক্না পামজবা থবক শিন্থাবু করিগুম্বা অথিংবা অমনা তৌবা য়ারোই হায়না তৌখিদবা অমদি মশাদা লৈজরিবা টেলেন্ট পূম্নমকশিং অদু নমশিন্দুনা থমখিবদা কয়াগী মতিক পেল্লম্লোই। মসিগী থৌদৌ অসি মণিপুরদা য়াম্না তোয়না থোকখি। মণিপুরগী অহানবা ফিল্মগী একাউন্ট হাংখিবা ‘মতমগী মণিপুর’ হায়রিবা ফিল্ম অদুদা হেরো শাখিবা জি রোবিন্দ্র শর্ম্মা ফিল্ম কুম্বনা মরম ওইদুনা ওফিসলগী ওইবা মেট্টর খরদা য়েৎনবা/মুক্নবা লাকপদগী গভর্ণমেন্টকী থবক থাদোকখিবগী ৱারী লৈখি। মসি য়াম্না লাইবক থীবা অমনি। মতম অদুদা আর্টিষ্টশিংগী মায়কৈদগী ৱাফম অমা ফাওবা থোকখিদে, অপূনবা খোল্লাউ অমত্তা লাউখিদে। হৌজিক্তগা ওইরবদি খরসু শাফরমগদবনি। মতমদুদা লৈখিবা সর্ভিস কন্দক্ট রুল অদুনা মরম ওইরগা পাম্না পাম্না ফিল্ম কুম্বা ফংখিদবা কয়া অমা লৈনখি। অদুবু হৌজিক্তি হায়রিবা কয়াশিং অদুগী কোমথোকপা ওর্দর অমদি লৈখ্রে।

য়ূম্নাম মঙ্গিবাবু কুমজা ১৯৪১গী মার্চ ১দা থাংমৈবন্দ লিলাসিং খোঙনাংখোঙ য়ূম্নাম লৈকায় ইম্ফাল ৱেষ্টতা পোকখি। পিশক পিক্লিঙৈদগী হৌনা লাইরিক লাইশুদা অফবা মহৈরোয়শিংগী মনুং চন্না হৌরকখি। কুমজা ১৯৫৭তা মেত্রিকুলেট পাস তৌরবা মতুংদা, দি এম কোলেজদগী ইন্টরমিদিএট (সাইন্স) ১৯৫৯দা তম্বা লোইদুনা বিহার, রাঞ্চিগী বি আই টি শিন্দ্রিদগী কুমজা ১৯৬৩দা বি এস সী এঞ্জিনিয়ারিং (ইলেক্ট্রিকেল) পাস তৌখি। এঞ্জিনিয়ারিং পাস তৌবা চহীদুমক্তদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টতা ১৯৬৩/৬৪দগী হৌনা সেক্সন ওফিসর ওইনা থবক চঙবা হৌখি। কুমজা ১৯৬৮/৬৯ দগীনা ১৯৭২/৭৩ ফাওবা দেপ্যুটেসন্দা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, কোলকটাদা এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর, সী ঈ এ (সী দব্লিয়ু এন্দ পি সী) ওইনা থবক তৌখি। অমুক কুমজা ১৯৭৪দা মণিপুরদা হল্লক্তুনা মশাগী দিপার্টমেন্টতা এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র (পৱার) ওইনা থৌ অমুক পুরকখি। অসুম্না মথং মথং সর্ভিস করিয়রদা সুপরিন্টেন্দিং এঞ্জিনিয়র (পৱার), এদিসনেল চীফ এঞ্জিনিয়র (পৱার) গী ফম কারবা মতুং কুমজা ১৯৯৭তা চীফ এঞ্জিনিয়র (পৱার), গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী ফমথোন কাদুনা কুমজা ১৯৯৮দা সর্ভিসতগী পোত্থাখি। অমুক হন্না কুম অদুমক্তদা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসতা কন্সলটেন্ট এঞ্জিনিয়র (পৱার) ওইনা ফেব্রুৱারী ২০১৮ ফাওবা থবক তৌরমখি। শ্রী য়ূম্নাম মঙ্গিবাবু মহাক্কী সর্ভিসতা কত্থোকপগা লোয়ননা শিন শুরকপদা তোঙান তোঙানবা ইন্দিয়াগী লূপশিংনা এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নখি। ফংখিবা এৱার্দশিংগী মনুংদা - ‘‘ভারত এক্সিলেন্স:, ‘গ্লোরি ওফ ইন্দিয়া’ অমদি ‘গোল্ড মেদল’ নচিংবা কয়া য়াওরি। কুমজা ১৯৬৯দা ইন্সটিট্যুসন ওফ এঞ্জিনিয়রস ইন্দিয়াগী এসোসিএট মেম্বর ওফ ইন্দিয়ন এঞ্জিনিয়র (এ এম আই ঈ) অদুগা কুমজা ১৯৭১দনা ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্সত্রুমেন্টেসন সাইন্টিষ্ট এন্দ টেক্নোলোজিষ্ট, জদভপুর বেঙ্গল সর্কলগী মেম্বর ওফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্সত্রুমেন্টেসন সাইন্টিষ্ট এন্দ টেক্নোলোজিষ্ট (এম আই আই এস টি) ওইদুনা মশাগী মপূং ফাবা প্রোফেসনেল করিয়র শেমগৎলকখি।

অসুম্না মতিক চাবা করিয়র অমা শেম্নবা কন্না হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা অরোনবা অমা ওইনা থম্মোয়দা আর্টপু পামজবগী নিংশাশ্বর অমদি লোয়ননা হোন্দুনা লাকখি। মরু ওইনা ঈশৈসি য়াম্না পামজরকখি। ঈশৈ ময়েক খরসু খুদোল তম্লকখি। রুপ রাগগী আর্টিষ্ট সিঙ্গরশিংগী মরক্তা য়াওদুনা ঈশৈ শকনীংবা অদুগী রিলিফ ফংনবা হোৎনরকখি। পামজমনবনা ইলেক্ট্রিক গিটর অমতা নত্তনা অনী ফাওবা লৈদুনা হোৎনজখি। অদুবু গিটর খোংঙু হায়না তম্লমদবনা খূৎলোইবদি ৱাৎখি, মদু মতমদুগী মমিং লৈরবা গিটরিষ্ট য়ূম্নাম রাজেনদা পীদুনা খোঙহনখি। অসুম্না দ্রমসু থিন্নীংবদগী দ্রম সেট অমা লৈখি। ফনা য়াম্না কন্না ময়ূমদা খিন্দুনা থিন্দুনা শান্নরকখি। পূক্নিং ৱাখলগী পোত্থাফম ওইরকখি। অদুবু মমল অতাঙবা অমদি শীজিন্নফম খঙদবদগী রুপ রাগদা পীথোক্তুনা মতমদুগী রুপ রাগগী ঈশৈ কয়াগী অনৌবা তান্থা অমা মহাক্কী দ্রম সেট অদুনা পীখি।

মশাগী চহী ৮০ প্লস ওইরবা এক্টর তামোসিগা ৱারী শানজরুবদা অসুম্না খঙজরকখি, মদুদি তামোসি স্কুল/কোলেজগী থাক্তগী হৌনা এক্টিং অসিসু পামজনা তৌরকখি, মতমদুদদি চপ চানা এক্টিং তমদুনা তৌরকপদি নৎখিদে, পামজবগী তৌবনি। অদুনা এঞ্জিনিয়র তল্লিঙৈ মতমদফাওবা ইন্সটিট্যুট অদুগী চহীগী ওইবা ফঙ্কসনদা শোর্ট প্লে পুথোক্তুনা কুমখি। মহাক্না চপ চানা এক্টিংগী লম্বীদা চঙশিল্লকখিবদি এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী থবক তৌরবা মতমদনি। নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা মহাক্না লুনা চান্না তিন্নজবা কাঙবম লৈকায়দগী মরুপ কামনিকুমারনা থবক অমা চৎলুসি হায়না ওফিস মতম লোইরগা হৌরকখি লোয়ননা অর্য়ান থিএটরদা পুদুনা লাকখি। নুমিৎ অদু অর্য়ান থিএটরগী অনৌবা প্লে ‘অভিমৈন্যু’ হায়বা অদু পুথোক্লবগী লাই খুরুম্বগী নুমিৎ অমা ওইরমখি। অহানবদা করিনো হায়বদি খঙখিদে, অদুবু মফমদু য়ৌরবদা মরম খঙলকখি। মহাকসু লাই খুরুম্বা য়াওদুনা দ্রামা অদুদা কৃষ্ণগী রোল পীদুনা য়াওবা হৌরকখি। প্লে অদু ওজা অহলশিংনা চাং নাইনা নিংথিনা তম্বীখি, লোয়ননা মায় পাক্না শো ৬ হেন্না কুমদুনা মীয়ামদা উৎখি। অদুবু মরক অদুদা মহাক সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী সর্ভিস অমা কোলকটাদা ফংবদগী দেপ্যুটেসন্দা চৎখিবনা মরম ওইদুনা মখা তানা প্লেশিং কুম্বদি ঙমখিদে।

য়ূম্নাম মঙ্গিবাবুগী নহা ওইরিঙৈগী শক্তম

কোলকটাদা থবক তৌদুনা লৈরিঙৈদা মতমগী মণিপুর হায়বা ফিল্ম অসিগী শুটিং কোলকটাগী ষ্টুদিওদা সেট শাদুনা শুটিং কন্না তৌরিঙৈদা মহাকপুসু কৌরক্তুনা রোল অমা য়াওখি। মদুনা ইহান হানবা তামো মঙ্গিবাবুগী ফিল্ম কুম্বগী চেপ্টর হাংবা হৌখি। অসুম্না অমুক ইম্ফালদা পোষ্টিং লৈরবা মতুংদা নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা পুনম পিকচরসকী প্রদ্যুসর ৱাংখেম বসন্ত অমদি দিরেক্টর এস এন চান্দ লাক্তুনা ‘ঙক-ই-কো নঙসে’ ফিল্মগী হেরো কুম্নবা হায়রখি। পামজবনা হরাও হরাও য়াখি। শুটিং হৌখি। খরা লৈরগা অমুক কোলকটাদা মখা তানা শুটিং চৎনবা হোৎনবদা অথিংবা লাকখি। ফনা কন্না হায়নরবদা মতমদুগী গভর্ণমেন্টকী সেক্রেটরিগী ফম পুবা মীশক অমনা চৈদুনা ফিল্ম কুম্বা য়াওই হায়বগী অথিংবা লাকখি। অদুবু মতমদুগী ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টকী মকোক ওইনা ফম পুখিবা ব্রজমনি শর্ম্মানা অয়াবা পীবদগী নুমিৎ তরুকনিমুক ছুটি লৌদুনা শুটিং চত্থখি। অসুম্না ঙক-ই-কো নঙসে হায়বা ফিল্ম অসি কুমজা ১৯৭৪দা পুথোক্তুনা রিলিজ তৌখি। মসিগী মখা তারকপদদি সর্ভিসকী ওইবা খুদোংচাদবা কয়া লৈখিবসিনা অতোপ্পা ফিল্মগী এসাইনমেন্ট লৌদুনা কুম্বদি ঙল্লকখিদে। তামো মঙ্গিবাবু মশাগী চপ চাবা ফিরেপ অমা লৈজবা, নীংখিবা থবক্তা হোংদবা মীশক অমা ওইখি। মহাক ঈং-তপ্পা, ৱা ঙাঙবদা মোং হাদবা, য়াম্না পূক্নিং লৈতানা তবক তৌবা মীশক অমনি। অয়াম্বা মতমদা অশাওবা উত্তে, নুংঙাইবা মায়থোঙ অমদি মীনোক্না তরাম তরাম্না মীয়ামগা লোয়নবা ঙম্বগী অহেনবা মতিক ময়াই চেনবা মীশক অমা ওইরকখি।

মতমগী মণিপুর ফিল্মদা রাশিগা লোয়ননা সিন অমা

ৱাফম খরসিগা লোয়ননা লাক্লিংলিবদি, অহল ওইরবা এক্টরশিং, দিরেক্টরশিং, টেক্নিসিয়নশিং অমদি ফিল্মগা মরী লৈনবা খুদিংমকশিং অসি ঙসিদি তপ্না তপ্না কাউথোকপীরকপগুম তৌরকপা মানবা অমা লাক্লিবা অসি হোংদোকপা চুম্মী।

অহল লমনশিং অদুনা থোনবীরম্বা লম্বী অদুদনি ঙসিগী নহাশিং অসিনা চৎচবা ফংলিবসি। লম্বী অসি হৌজিক নহাশিং অসিনা মমিৎ হেক পাংলকপা মতমদা লৈরম্বা নত্তে। য়াম্না ৱানা মায়কৈ কয়াগী অৱা চৈথেং কয়া খাংদুনা শেমগৎপীরম্বনি। অদুগুম্লবা অচঙবা থৌমী অমমম ওইখিবা অহলশিং অসিবু মিরাইবীবগী মহুত্তা, মখোয়বু তরাম তরাম্না ওকপীদুনা, মখোয়গী মফম অমমম পীবিনবা হোৎনবীফম থোকই। মণিপুরদা লন্নাই লূপশিং অমদি মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ফঙ্কসন কয়া অমা শীন্দুনা লাক্লি। অদুবু অসিগুম্বা অহলশিং অসিগী ফম্ফমদি ফিদা ওইনা থাবীবদি উবা ফংদে। মখোয়না ৱাহৈ অমা হায়বীবা অমদি মখোয়না হৌরক্লিবা নহাশিং অসিদা থৌজাল অমত্তা ওইরসু পীবীবা হায়বসি য়াম্না পূক্নিং লূমনীংঙাই ওই হায়বসি ঐখোয় কাউরিব্রা নৎত্রগা থওইবিদ্রিবরা হায়বা ৱাহং থোরকই। মণিপুরদা চহী অমদা ফিল্ম ময়াম অমা পুথোক্লে হায়বগী ঐখোয় চাওথোকচরি, অদুগুম্বা ফিল্মশিং অদু নম্বা হৌবগী লাইশোন তিনশোন, ফিল্ম অদু রিলিজ তৌবগী থৌরম অমত্তদা অরিবা মতিক ময়াই চেনবা অহল অমত্তা য়াওবা উবা ফংদে। য়াওহনগদবনি, নহাশিংবু পূক্নিং থৌগৎপীনবা ৱাফম ফোঙদোকহনগদবনি, মখোয়গী চহী অমদি মখোয়গী থৌজালশিং অদু ফংজনবা নীংজহৌগদবনি। মদুদা অহলশিং অদুনসু নুংঙাইজগনি, নহাশিংনসু পেঞ্জগনি। মদুগুম্বগী মহাউ অদু ঐখোয় অমুক তংমিন্নবা মতম থিল্লে। মপানগী লমদদি অহল লমনশিং অসি য়াম্না হকনা লুনা লৌনৈ। ঐখোয়গীসিদদি মখোয়সিগী ফিদা থিবা ৱারি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১১।০৭।২০২১ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৭.১৭ ফাওবা ঈঙেনগী নোংমা পাল্লনি, মতুংদি নীনি পাল্লনি।

মেষ: লম খুদিংমক্তা মায় পাকচগনি, অনৌবা থবক পাঙবা য়াগনি, মরুপ-মপাং লোয়নবগী কান্নবসু শোয়দনা ফংগনি। ৱানোম থৌনোম কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ: কিবা চিংনবা পোকপা অমদি হুরানবনা তাথিবা নুমীৎনি। লৌশিং চাওরসু ফুদোকপা হৈতে, অখঙ-অহৈ তান্নৌ। লন চাওখৎনবগী মরমদি লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা তেংবাঙবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: হরাওবা, নুংঙাইবা, মীয়াম্না পাম্নবা অমদি ৱাখলসু লাঙবা নুমীৎনি। অদুবু লোয়নবনা তাথিবা অমদি লৈঙাক্কী লমদা কোক শাবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি ৱাখলদা ঙাওজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট: মায় পাকচগদবা অদুবু অশাওবনা মাঙহনবা য়াবা নুমীৎনি-ফিংগনু। অরং-অরাক অমদি নক্নবগী মতেং ফংবদি লৈ। থবক পোরম য়াৎহৌবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ: নীংবা মপা চাবা ৱাৎকনি- হোয়া ফগনু। অরিবা থবক্তা য়েংথিনবা লৈ, চিন কনগনু। অচুম্বগী লমদদি অমদি থিবা কল্লদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌগনু-মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা: শকখঙদবনা ইনশিনবা অমদি হুরানবনা মাঙনবা শীনবদৈ চেকশিল্লু। ইচং থৌবদি ফৈ-মীনা লাকচবা ঙমলোই। ৱানোম থৌনোম কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: পাইরক্কী লৌশিং শোনবনা নাইতোম ৱারেপ লৌবদি মাঙগনি অমদি শেল-থুম/লৈঙাক্কী থৌ পনগনি। পামজবা থবক্তি পাঙগনি, নীংবা থুংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃশ্চিক: হকচাংদি নুংঙাইজবা অদুবু মীপায়বা পোকপা নুমীৎনি। অফা-অপুন লৈরম্বা কোকচবা অমদি নঙগী ওইবা মীগী মতেং ফংবা নুমীৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাংবদি পকচৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

ধনু: ঙসিসু খল্লুদবা ওইজবা খরদি অদুম ফংজৌ হায়বা লৈ। অদুবু য়েক্নবনা পাঙগনবা অমদি ফংবা য়াবা খরসু পনবদি লৈখিনি। মরুপসু চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌবা লৈজনি-পুক্নিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

মকর: খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংজবা নুমীৎনি। অকিবা লৈতনা অমদি নীংহন্নবা লৈতনা থৌ পাংউ- শোইদনা মায় পাক্কনি। নচা ননাইদি কায়ননি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কুম্ভ: মীচং লৈবা, নীংবা থুংবা অমদি থৌনা-লিংজেল ফুদোকপা মতাং চাবা নুমীৎনি। অদুবু ৱা ঙাংবা অমদি পোরম শীনবদি হৈবা ৱাৎলি- চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

মিন: থাগৎপীবা অমদি মরুপ ফংজবা নুমীৎনি। হৈ-শিংবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা খরা ৱাৎলসু য়েৎনবা লৈরম্বদি কোক্কনি অমদি শেল-থুমগী কান্নবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - মতাং চাদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



Title : Apple Tree
By : Dhanishta Thokchom
Class : I House : Yellow
School : R.K. Sanatombi Devi Vidyalaya, North AOC



Title : Scenery
By : H. Dishan Meetei
Class : VII Roll : 26
School : Maheilen Education Centre, Haotal



Title : Parrot
By : Meitram Luwangkhomba Luwang
Class : IV Roll : 2
School : Pole Star Public School



Title : CHHOTA BHEEM
By : Malemnganba Ningombam
Class : IV Sec : A Roll : 3
School : Modern Academy



Title : War Tank
By : Maniketan Amom
Class : II Roll : 6
School : Kindergarten Montessori School



Title : Tree
By : Phylicia
Class : I Sec : E Roll : 18
School : Tiny Tot's Unique School



Title : Circle Scenery
By : RK. Chinglembi Sana
Class : VII
School : Bethany School, Guwahati



Title : Free Fire Cobra
By : S. Radhakrishnan
Class : IV Sec: D Roll : 38
School : Pitambara English School



Title : Rose
By : Telheiba Maibam
Class : IV Roll : 4
School : Maheilen Boarding, Haotal



Title : Sweeping
By : Thangjam Raspiyari
Class : X (A) Roll : 1
School : Maheilen Boarding, Haotal



Title : Scenery
By : Tulishka Oinam
House : Red
School : R.K. Sanatombi Devi Vidyalaya



Title : Girl with face mask
By : Yumnam Sanjana Devi
Class : IV Sec : C Roll : 65
School : Little Flower School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।